মীওই ১০২ পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০২ রোম ঙসি ফ্লাইট ৩দা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩২ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৫২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অনীশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া (এল্লাইয়ন্স) ৯ আই-৭৪১ অসিনা গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩২৩ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১৫ রোম তাবদা গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখিবা পুন্না মীওই ১০২ অদু এয়রপোর্টতা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমীদা থমখি। তুংদা মখোয় তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং লাক্লগা ক্বারন্টিন তৌনবা অমুক পুখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

ন্যু লাইফ একাদেমী, উচাথোল, জিরিবামদা মতম কুইনা ওজা ওইদুনা স্কুল অসিগী অফ-ফন্ত্তা কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা হাওরোংবম সোমেন্দ্রনা লৈখিদবদা স্কুল অসিগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিংনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা মিনিট অমা তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা স্কুল অসিদা পাঙথোকখ্রে। লৈখিদ্রবা ওজা অসিগী থৱায়না লাইরমলেন্দা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখিবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু স্কুল অসিনা শরুক য়াজরি হায়না স্কুল অসিগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা মতেং পংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

মালেমদা লাইচৎ অমা ওইইরিবা তমথিরবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লমদম অসিদা লোকদাউন তৌখিবদগী হৌখিবা মার্চ ২৭ তগী হৌনা কোওর্দিনেটিং বোদি খুরাইগী লমজিং মখাদা ফৌওইবী ইন্টরপ্রাইজেস, লংথবালনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংদুনা লাক্লি। ঙসিসু মখা তানা চথুরকপা ওইনা কৈবীদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা ফৌওইবী ইন্টরপ্রাইজেসনা ভেজিটেবল অমদি অচা-অথক কয়া মতেং পাংখ্রে হায়রি।

Important Phone Nos.

RIMS	-	2414478
J.N. Hospital	-	2450385
DG Control	-	2450100
FIRE SERVICE		
Imphal	-	101
Moirang	-	8415925197
Churachandpur	-	8415925191
Thoubal	-	8415925203
Kakching	-	8415925194
Jiribam	-	8415925193
Mayang Imphal	-	8415925196
Bishnupur	-	8415925190
Moreh	-	8415925198
Kangpokpi	-	8415925195
Ukhrul	-	8415925205
Senapati	-	8415925199
Chandel	-	8415925192
Singhat	-	8415925201
Sugnu	-	8415925202
Yairipok	-	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.670514
US Dollar	74.877979
British Pound	97.979872
Australian Dollar	53.702883
Chinese Yuan Renminbi	10.772825
Japanese Yen	0.702629
Malaysian Ringgit	17.857209
Singapore Dollar	54.616571
South Korean Won	0.063052
Saudi Arabian Riyal	19.967461
Thai Baht	2.404233
Myanmar Kyat	0.05503
Bangladesh Taka	0.88263

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	52530.00
Mumbai	–	Rs	52210.00
Delhi	–	Rs	51856.00
Kolkata	–	Rs	52238.00

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT
Booking upto : 09/06/2020
Valid from : 01/06/2020
Home delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time 08:00 am to 10:00 am

TDK GAS
Booking upto : 30/06/2020
Valid from : 25/06/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.
6909614353/8731992324

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-23/07/2020
Valid from-13/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM

HIYANGTHANG INDANE
Booking dt. 18/06/2020
Sl.No. 263 to 363
Timing : 7.00am to 10.00am
Only home del. Contact No. 7085557686, 936650293

কোভিদ-১৯গা লোয়ননা চেকশিন্না হিংবা তমসি : ইপসা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী য়ুমথোঙ খূদিংদা কোভিদ-১৯ য়ৌরক্কদৌরিবা অসি চেকশিনহৌদবা মীকুপ্তুনি। মসি খঙনা ঐখোয় কোভিদ-১৯গা লোয়ননা চেকশিন্না হিংবা তমসি হায়না ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না ফোঙদোরক্লি।

ইপসাগী আই পি আর সেক্রেটরি এস তেম্বীসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদসু কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলক্লি। মেদিকেলগী লমদা খঙ-হৈরবশিংনা লোকল ত্রান্সমিসন্নি হায়দুনা লাকখিবদু হৌজিক্তি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী টেক্নিকেল এক্সপর্ট কন্মিটিনা ষ্টেট লৈঙাক্তা মণিপুরদা কম্যুনিটি ত্রান্সমিসন হৌরে হায়না লাউথোকপীনবা প্রপোজেল থানবগী ৱারেপ লৌরে হায়বা ৱাফম মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা থেংনরে। মণিপুরদা লৈরিবা মীওই অমত্তনা কোভিদ-১৯দগী মায় লৈদুনা চেনবা য়াবা মতম নত্তে। ঐখোয় খূদিংমক চপ মান্ননা থৌদাং লৌদবা য়ারোই। কোভিদ-১৯না কনাবুসু লেম্না থাবা লৈতে। ঐখোয় পুম্নমক থোঙ লোন্দুনা লোকদাউন তৌদুনা থা ৪/৫ রোম অসি লৈরক্লি। হায়রিবা থৌদৌ অসি মতম চুপ্পগী ওইনা লৈবা য়াবসু নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু মতম-মতমগী খরা খরা কোমথোক-কোমশিন তৌরি। হায়রিবা মতম অসিদনি মণিপুরদা লোকল ত্রান্সমিসন অমদি কম্যুনিটি ত্রান্সমিসনগী ৱাফম লাক্লিবসিনি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়াম্নসু মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা পীরিবা পাউতাকশিং অসি য়ারিবমখৈ ইন্দুনা চৎনরি। ফনমক হোৎনদুনসু কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি হন্থহনবা ঙমদ্রি। কনাগুম্বা খরনা এস ও পি অমদি প্রোটোকোল ঙাক্তবদগী লোকল ত্রান্সমিসন অমদি কম্যুনিটি ত্রান্সমিসন অসি শোয়দনা লাকপা ওইরমগনি নৎত্রগা খঙদ্রিবা অতোপ্পা মরম কয়া অমসু লৈরম্বা য়াই। খ্বাইদগী লুরিবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা হোস্পিটাল কয়ানা তোঙান তোঙানবা মখলগী অনাবশিং লায়েংবীয়ু য়াদবদগী মীওই খরা লৈখিদবা য়াওরকপা অসিনি। থৌদোকশিং অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বদু মণিপুর লৈঙাক্লা মমুৎ তানা থিগৎকদবনি। কোভিদ-১৯ মরকসিদা মীয়াম্না ৱারৌদুনা পামদবা থৌদোক থোক্লক্লবদি মদুগী থৌদাং মণিপুর লৈঙাক্লা পুগদবনি। মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট অমসুং গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল খূদিংমক্তা কোভিদ-১৯ টেষ্টিং কিট অমদি মরী লৈনবা খুৎশু-খুৎলায় শুনা থমগদবনি। মণিপুরদা কোভিদ-১৯ থেংনবদা ফ্রন্টলাইনতা থবক তৌরিবা পুলিস পর্সনেল, লোকল ভলন্টিয়র, ডোক্তর, নর্স অমদি মেদিকেল ষ্টাফ কয়া পোজিটিভ ওইরে। মসিগীসু মথক্তা এম এল এ ফাওবা পোজিটিভ ওইরি। মীচম কয়াসু পোজিটিভ ওইরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি কোভিদ-১৯ থেংননবা ঐখোয় পুম্নমক অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি ডোক্তর ১/২না লায়েংবা অমদি লান্থেংনবা য়াবা নত্তে। ডোক্তর পুম্নমক, নর্স পুম্নমক, পেরামেদিকেল ষ্টাফ অমদি এটেন্দেন্ট পুম্নমক্লা থৱায় য়াওবা চঙই। পুকচেল শেংবা অমদি পুকচেল চাউথোকপা হায়বা অসিনা অমত্তা ওইবা খুৎলায় ওইমিন্নসি। শেল হায়বা ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংনা পেসেন্টশিংদগী অহেনবা শেল লৌবীগনু। মীয়াম অরৈ-লৈতা তান্নরগা হিংগদবা মতমনি। ডোক্তর, নর্স অমদি পেরামেদিকেল ষ্টাফ কয়া অমা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌরি। অসিগুম্বা ডোক্তরশিং অমদি মরী লৈনবা পুম্নমক অসি মতাং মতম চানা তৌবীমল খঙবা উৎচগনি। মীয়ামদা থমজনিংবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯ হায়রিবা লায়না অসি মীয়াম্না কিনবা লায়না অমা ওইবনিনা য়ারিবমখৈ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মরমদা মশক উৎতুনা ফোটোনচিংবা সোসল মীদিয়াদা মরম চাদনা থাগৎপীদনবা অমদি পেসেন্টশিংগী প্রাইভেসি ঙাকপীনবা হায়জরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পি পি ঈ খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ থেংনবদা মতেং ওইনবা লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনল ফাউন্দেসনগী মীৎয়েং মখাদা লাইওন্স ওফ মণিপুরনা অফবা মখলগী পি পি ঈ কিট ২৫০ রোম তেংবাংখ্রে। লম্ফেলপাৎতা লৈবা মেদিকেল দিরেক্টোরেটতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা পি পি ঈ কিটশিং অদু ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর টু, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি, লাইওন পি এম জে এফ দল্লিয়ু গোপিমোহোননা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজো, রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দে প্রোফেসর সী ঐচ অরুনকুমার অমসুং জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. টি রাজেনদা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা পাস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লাইওন এম জে এফ এম গোজেন্দ্র অমসুং কোওর্দিনেটর লাইওন এম জে এফ পি ব্রজমনি অমদি সিনিয়র লাইওন মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়না লাইওন এম মানসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস):

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ থেংননবা চথরিবা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা লম্বীদা ফেস মাস্ক উপ্তুনা থোরকপা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবনি হায়বা মীওই ১১০ ফাগৎলবা মতুং অমুক তৌদনবা চেকশিন ৱা পীরগা ফাইন ওইনা লুপা ২৭,৭০০ থিহল্লগা থাদোকখ্রে। মখা তানসু পুলিসকী দ্রাইভ চথুখিগনি হায়না আই জি পি (ওপস) ঈ প্রিয়োকুমারনা থাদোরকপা চোরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তৌবুলদগী হৌজিক্লা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ১৪দা লৈবা জি বিরমনি শর্মাগী য়ুমদা লৈবা লাইশ্রম অঙম্বা (২২), অপোকপা বিরেনবু তমথীনা ফূ-চৈবা অমদি ওৎ-নৈবা তৌরবা মতুং নিংথৌখোংগী লো কেনেলদা থৌরী য়াল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নিংথৌখোং কৈথেলদা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা পাঙথোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা অঙম্বা মীশি মরম চাদে, মীহাৎপা মীওই পুথোকউ, মরম চাদবা মীহাৎ য়ানিংদে হায়বা ৱারোলশিং ইবা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখি। ৱাকৎ মীফম অদুগা লোয়ননা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিলিং ওফ এল অঙম্বা, নিংথৌখোং অমা শেমখ্রে। জে এ সী অসিগী কনভিনর ওইনা টি ঐচ নোরেন অমসুং কো-কনভিনর ওইনা এ দেবচন্দ্রবু খনখি। কনভিনর টি ঐচ নোরেননা হায়খি, নুমীৎ মঙানিগী মনুংদা পুলিস অমদি লৈঙাক্লা অঙম্বা মীহাৎতা চেন্নবা মীওইশিং পুথোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্ননবা থবক পায়খৎকদবনি। মদু নৎত্রবদি মখল-মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়খি।

শেল য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা শুফম-নোংফম খঙদনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরিবা ইমুংশিংগী অৱাবদা মতেং পাংনবগীদমক শেমখিবা এস কুল্লা ৱিমেন্স কোলেজ সপোর্ট ফোর কোভিদ পেন্দেমিক হায়রিবা গ্রুপ অসিনা ঙসি অহানবা ফেজগী ওইনা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা খনগৎলবা ইমুং ৭তা শেল য়াওনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাংখ্রে।

মতেং পাংবগী থৌরম অদুদা গ্রুপ অসিগী এদভাইজর ডা. দল্লিয়ু কুঞ্জরানি, গ্রুপ অসিগী কোওর্দিনেটর ডা. এল সোমোবালা, গ্রুপ মেম্বর ঐচ রোনিবালা চনু, সোবিতা মোংজম, সঙ্গীতা, এল প্রিয়ানচিংবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

ডা. এল সোমোবালানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরবা ইমুংশিং খনগৎচদুনা সপোর্ট গ্রুপ অসিনা অঙম্বা মতেং পাংজবনি। ঙসি অহানবা ফেজগী ওইনা ইমুং ৭ তা মতেং পাংজখ্রে। মখা তানসু মতেং পাংখিগনি হায়খি।

ভোট ওফ কনফিদেন্সতা দিভিজন ভোট...

লামায় ১গী মখা... কাঙলোনগী ৱাংমদনি। ১১শুবা এসেমব্লিগী ১১শুবা মীফম নোংমখক ফমখি। ভোট ওফ কনফিদেন্সকী শরুক অসি এজেন্দা ময়ামগী মতুংদা থম্মী। ওপোজিসনগী মায়কৈদগী নো কনফিদেন্স মোসন অহুম থাঙ্গৎখিবনি। কোলিসন গভর্ণমেন্ট অমদা চৎমিন্নরিবা পার্টি অমনা হেক ৱিদ্রো তৌখ্রবদি ভোট ওফ কনফিদেন্স লৌগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরিবনি। খন্নবা য়াবা কয়া লৈরবসু এসেমব্লি সেসন নোংমখক ফমখি। চহী অমগী মনুংদা ফম্বা য়াবা এসেমব্লি সিটিং নুমিৎ লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

হায়কোর্টনা ত্রান্সফর ওর্দর চৎনহন্দনা...

লামায় ১গী মখা... তৌরকখিবনি। পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবা থবক্তগী পোত্থারগদবা চহী ১ নৎত্রগা থা ২১ খক্তা ঙাইরবা ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী ওফিসল/এমপ্লোয়ীশিংদি ত্রান্সফর তৌরোইদবনি হায়না লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮গী মার্চ ৩দা থোকখিবা ওর্দরগী পেরা ১২দা ময়েক শেংনা পল্লি হায়রি। অদুবু মহাক থাসিগী ৪দা থোরকখিবা ওর্দর অমনা ত্রান্সফর তৌরকখিবনি। মসিগী মায়োক্তা লোইশঙসিগী দিরেক্টরদা রিপ্রজেন্টেসন অমা পীশিনবসু লৈখ্রে। মহাক্কী রিপ্রজেন্টেসন অসিদগী দিরেক্টরনা ত্রান্সফর ওর্দর অসি ষ্টে তৌবীনবা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (ফেমিলি ৱেলফ্যের) দা ওফিসল লেট্টর অমসু থাসিগী ৭তা ইদুনা হায়জখ্রে হায়রি। অদুবু মহাক্কী রিপ্রজেন্টেসন অসি থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবদগী সিভিল রিট পিটিসন অসি ফাইল তৌরকপনি হায়খি।

কেস অসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা থাসিগী ১০দা লৌখৎতুনা খন্নবদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১, ২ অমসুং ৩গী মায়কৈদা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এস নেপোলিয়ননা লেপ্লদুনা ত্রান্সফর এন্দ পোষ্টিং তৌবা য়ারোই হায়খিবা লৈঙাক্কী ওর্দর অদুদি মেন্দেটরি নত্তে। মরম অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী প্রোপর ইন্সত্রক্সন লৌবগা লোয়ননা পিটিস্নরগী ইন্টরিম প্রেয়র খন্ননবগীদমক থাসিগী ১৮দা অমুক হন্না লৌখৎপীনবা হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীগী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারগা রেসপোন্দেন্টশিংদা চয়োল মরিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবা নোটিশ ইস্যু তৌখি। লোয়ননা থাসিগী ৪দা থোকখিবা পিটিস্নরগী ত্রান্সফর ওর্দর অদুগী মথংগী রিটর্নেবল দেট (ওগষ্ট ১৮, ২০২০) অসি সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লে হায়খি।

সুপ্রিম কোর্টনা পেন্দিং কেস চয়োল ২গী...

লামায় ১গী মখা... লৈরকপদগী আপিল অসিগী ত্রায়েল লেপ্তুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা থবকশিং অসিবু টেন্দর তৌদুনা খূৎশিন্নরকখিবা ইরকোন ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ সর্ভিস লিমিটেদনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) নম্বর ১৪৬৪১ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা থবকশিং অসি অতোপ্পদা শিন্নখ্রগে হায়বগা লোয়ননা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা পল্লিবা কেসশিং অতোপ্পা এপ্রোপ্রিয়েট কোর্ট অমদা ত্রান্সফর তৌবিনবা প্রেয়র য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ত্রান্সফর পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৮০১ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবনি।

কেস অনীমক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী চীফ জষ্টিস এস এ বোবদে অমসুং জষ্টিস এ এস বোপানা অমদি জষ্টিস ভি রামাসুব্রমনিয়নগী বেঞ্চনা থাসিগী ১১দা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। লোয়ননা থোংশিং অসি শাবা অমসুং লম্বী শেম্বগী প্রোজেক্ট অসিগী মরু ওইবদু য়েংলগা থবকশিং অসি মখা চথুগদবনি হায়না খঙহনখি। লোয়ননা হায়কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা রিট আপিল অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস অমবু সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরসি ফংবা নুমিৎতগী পারগা চয়োল ২গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা ওর্দর পীরকখি। সুপ্রিম কোর্টনা কেসশিং অসি খন্নরকপদা রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা এম/এস নিরম সিমেন্ট ষ্ট্রকচরেল লিমিটেদকী মায়কৈদা এদভোকেট নিরজ পাওনম অমসুং এস কে ভট্টাচার্য্যনা লেপখি।

সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর অসি পীরকখিবগা থাসিগী ১৪দা হায়কোর্টনা কেস অসি লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা কেস অসি নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ১১ দগী হৌরগা নুংথিলগী পুং ৪.৪৫ রোম তারকপা ফাওবদা মসিগী হিয়ারিং পাঙথোকখি। অদুবু লোইশিনবা ঙমদবদগী মখা তানা খন্ননবগীদমক হয়েং বেঞ্চ অসিদা অমুক হন্না লিষ্ট তৌরি। হায়কোর্টনা কেসশিং অসি খন্নবদনা এম/এস নিরজ সিমেন্ট ষ্ট্রকচরেল লিমিটেদকী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনম অমসুং কাউন্সেল এস গুনবন্তনা লেপ্লি।

এম এল এদগী রিজাইন তৌখ্রবশিংগা...

লামায় ১গী মখা... রিজাইন তৌখ্রবা এক্স এম এল এশিং অসি য়াওদনা চীফ মিনিষ্টরনা সেন্ট্রেল লিদর উনদুনা বাই ইলেক্সন মাঙওইননা মিনিষ্টর রিসফল তৌনবগী মতাংদা ৱারী শারক্কদৌরি। সেন্টরগী লুচিংবশিংগী ওইবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হীরমসিগা মরী লৈনবা থবক লৌখৎলক্কদৌরি।

ডো. উথান কোভিদ-১৯ পোজিটিভ...

লামায় ১গী মখা... জেনিমসকী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থমদুনা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লায়েংলি। হকচাংগী ফীভম থোইদোক্লা পাখৎনিংঙাই ওইদে। হকচাং ফনা অদুমক লৈরি শুপ্নগী লাইহৌ হৌরকপদগী টেষ্ট তৌরুবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনরকখিবনি হায়রি।

ষ্টেট অসিগী ফার্মাসি অয়াম্বদা হীদাক...

লামায় ১গী মখা... ফার্মাসি মমাংদা ক্যু লেপ্পল্বী নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদা তশেংনা হৌজিক লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা ফার্মাসিদা চৎতুনা হীদাক লৈবা ফাওবা অকিবা অমা ফাওরে। তঙাইফদনা হীদাক চাদবা য়াদবদগী হীদাক লৈবা লাকপনি। অদুবু অয়াম্বা ফার্মাসি দুকানশিংদা হীদাক ফংদবনা মরম ওইদুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। ফার্মাসি দুকান মঙা শুরে হীদাক লৈত্রে হায়রকপা মরম অদুনা পাউনা কৈথেলদা হাংলিবা ফার্মাসি দুকানশিংদা হীদাক ফংগদ্রা হায়দুনা হীদাক লৈবা লাকপনি হায়খি। হৌজিক-হৌজিক অয়াম্বা ফার্মসিশিংদা হীদাক অয়াম্বনা ফংনদ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা মীয়াম্না থেংনরিবা হীদাক ফংদবগী অৱাবশিং অসি কোক্লনবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

মীওই ৩ শিখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... মীওইশিং হোম আইসোলেসন তৌনবগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ফোঙখ্রে।

প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের) ভুমলুনমাং বুৱালমনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়, য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা জুলাই ২ দা ফোঙখিবা গাইদলাইন অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদসু লাইওং উখোরক্ত্রিবা অমদি হন্থবা চাংদা লাইওং খরতমক উখোরকপা অমদি কোভিদ-১৯ কেসশিং হোম আইসোলেসন তৌবা হৌরগনি। হোম আইসোলেসনদা লৈগদবা মীওই খুদিংমক্তা ফিঙ্গরতিপ পলস ওক্সিমিটর অমদি ট্রিপল লায়র মাস্ক পীগনি। করম করম্বা মীওইশিং হোম আইসোলেসন তৌগদগে হায়বদু চীফ মিদিকেল ওফিসরনা শেম্বা মেদিকেল টিম অমনা য়েংশিনগনি।

মীরোলবী নুপীশিং, চহী ১০ শুদ্রিবা অঙাংশিং, কো-মোর্বিদ কন্দিসন লৈতবা মীওইশিং, লাইওং উখোরক্ত্রিবা মশাগী চহী ৬০ হেল্লবা মীওইশিং, লোয়ননা হায়পর্টেন্সন, দাইবেটিস, হার্ট দিজিজ, ক্রোনিক, লঙ্স/লিভর/কিদনি দিজিজ লৈবা মীওইশিং অমসুং কেন্সর, ঐচ আই ভি নৎত্রগা ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌখিবনা মরম ওইরগা ইম্যুন সিষ্টেম শোথরবা মীওইশিং মেদিকেল টিম অমনা য়েংশিল্লগা হোম আইসোলেসন তৌনবগী অয়াবা পীগনি হায়রি।

[illegible] / ‘অৱাবা ফোঙদোকচবা’

সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকাইগী হান্না মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরি ওইরম্বী শ্রীমতি তখেল্লম্বম ওংবী দাসীনী দেবীনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকাইগী মৈরা পায়বীগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকচরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :
T. Mengoubi Devi, President
S. Kanon, Secretary
Meira Paibi Sega Road Takhellambam
Leikai, Imphal

HL-P/7435/17

‘হোম আইসোলেনসনগী ৱাফম অমুক হন্না খন্থবিয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা লায়ওং উৎথোরক্তবা অমদি খরা খজিক উৎথোরকপা মীওইশিংবু হোম আইসোলেনসন তৌহন্ননবা হেল্থ দাইরেক্টোরেট মণিপুরনা থোকখিবা চেরোল অদুগী মতাংদা দাইরেক্টোরেট অসিনা অমুক হন্না খন্থবিয়ু হায়না এমেস্কোগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাওগী মীফম অমদা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী কনভিনর বি কে মোইরাংচানা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিংগী মনুংদা এসিমটোমেটিক অমদি ভেরি মাইল ওইনা কোভিদ-১৯গী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা লায়না অসি অতোপ্পা মীওই অমদা শন্দোরক্লরোইদরা হায়বগী মতাংদা চপ চানা মীয়ামদা খঙহনবিয়ু। ৱাফম অসি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনা পীরকপা গাইদ লাইনশিংগী মনুংদা য়াওবরা হায়বগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিনহন্নিংই। মণিপুরদা লৈরিবা ইমুং অয়াম্বা লায়রবা ওইবনা বার্থ রুম, টৌইলেট য়াওবা কা তোখায়-তোখায়না লৈনদে। অসিগুম্না তোখায়বা কা লৈনদবা য়ুমশিংদা এসিমটোমেটিক অমদি ভেরি মাইল ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু হোম আইসোলেসনদা থম্বা তারবদি লায়না-লাইচৎ অসি কা হেন্না শন্দোরক্কদরা হায়বগীসু অকিবা লৈতবা নত্তে। করিগুম্বা লায়না অসিনা পাকশন্না শন্দোরক্লবদি মণিপুরগী অপিকপা ফুরুপশিং মাংখিবা য়ানসু লৈরি। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা হেল্থ দাইরেক্টোরেট মণিপুরনা য়াম্না কুপ্না নৈনবিয়ু হায়নসু পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী মায়কৈদগী আপিল তৌরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা পিপলস টাস্ক ফোর্স ফোর কোভিদ-১৯গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা ইন-চার্জ মোইরাংথেম অঙম্বা, লোংজম অবোথে, থিয়াম শরট, এন বিমোলনচিংবা থৌপুবশিংসু শরুক য়াখি।

‘অমুবা বেজ থেৎপগী খোঙজং চঙশিল্লগনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

রিমস ওথোরিটিনা ইনষ্টিট্যুট অসিগী কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ী ৪০৪ আউটছোর্স তৌননবা খোঙথাংগী মায়োক্তা অমসুং তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং পীবীদবগী মতাংদা কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা হয়েংদগী হৌরগা নুমীৎ ১০ নি চুপ্না অমুবা বেজ থেৎপগী খোঙজং চঙশিল্লগনি। কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ীশিংনা দেম্মক্রেটিক ওইবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লকপা থা ১ হেল্লক্লে। অদুবু তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিবা ফাওবা পিছ ফুল এজিটেসন চঙশিন্নবগী অতোপ্পা লম্বী লৈতবদগী অমুবা বেজ থেৎপগী খোঙজং অসি চঙশিনগদবনি হায়নসু নন-টিচিং ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন রিমসকী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লংথবাল কুঞ্জদা উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিদা উমং-ৱামং কোকথোকপনা পীরিবা অৱাবশিং মায়োক্লবা ঙম্নবা পান্দমদা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন লমাবম লালমনিগী লীচিং মখাদা ঙসি ৱার্দ নম্বর ৮গী মনুং চনবা লংথবাল খুঞ্জ অৱাং লৈকায় লিট্টল রোজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল রোদতগী হৈনৌমখোং ফাওবা লম্বীদা উ-চারা ৩০০ হেন্না থাখ্রে।

উ থাবা অদুগা মরী লৈননা চ্যেরপর্সন এল লালমনিনা পাউমীশিংদা হায়খি, উ-ৱা য়ান্থৎপদগী হৌজিক হৌজিক অঈং-অশাগী চাংদা অকায়বা পীরক্লিবা অসি থিংদুনা লমদম অসিদা অশেংবা ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম লৈহন্নবগী পান্দমদা ঙসিগী উ-চারা থাবা অসি পাঙথোকচবনি। মসিগী মথক্তা লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংনা হেন্না খুদোংচাবা ফংনবা অমদি ঙাইহাক উরুমদা পোথাজবা ফংনবা ৱাখল্লোন্দা উ-চারাশিং অসি থাবনি হায়খি।

পনবা য়াই, ঙসিগী উ-চারা থাখিবা অদুদা ষ্টেন্দর্দ রোবার্টহায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল পি ঐচ লনধোনি, লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৪গী কাউন্সীল্লর মাইবম জয়কুমার, ৱার্দ নম্বর ৮গী মেম্বরশিং অমদি ক্লবকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এম টিকেন্দ্রনা ঙসি থোকখিবা ওর্গনাইজেসনেল এপোইন্টমেন্টকী ওর্দর মতুংইন্না কুমজা ২০২০দগী ২০২৩ ফাওবগী ওইনা থৌ পুগদবা মোর্চাশিংগী প্রসিদেন্টশিং খনখ্রে। প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবশিং অদুদি ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা মণিপুরগী ওইনা কে রামকৃষ্ণ (গোগো), কিষান মোর্চাগী ওইনা কে নিংথেমজাও, ও বি সী মোর্চাগী ওইনা আর কেনোংদ্রেনখোম্বা, মহিলা মোর্চাগী ওইনা এল লোতিকা, সেদ্যুল ত্রাইব মোর্চাগী ওইনা লনজাগৈ কামৈ, সেদ্যুল কাষ্ট মোর্চাগী ওইনা এন জি রঘুমনি অমদি মাইনোরিটি মোর্চাগী ওইনা অসকর অলি মকক্কময়ূমনি হায়রি।

খুঞ্জাশিং ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে : দি পি য়ু ভি ও

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৬ (ঐচ এন এস) :

নম্বোল ওইনাম অমদি কৈনৌগী মীয়াম্না ৱারোইচীংদগী ঈশিং টেঙ্করশিংনা পুরকপা ঈশিং লৈরগা চহী ১০ রোম অসি শীজিন্নদুনা লাক্লি। অদুবু লৈমরাম হৈনৌবোক অমদি লৈমরাম ৱারোইচীংগী ক্লবশিং, মৈরা পায়বীশিংনা হৌখিবা ওগষ্ট ৪ দগী হায়রিবা খুন অসিদা ৱাটর টেঙ্করশিং অসি চঙবা থিংখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা নম্বোল ওইনাম অমদি কৈনৌগী খুঞ্জাশিং থক্ল-চানবা ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়না দি পি য়ু ভি ও, নম্বোলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দি পি য়ু ভি ও, নম্বোল, নম্বোল পুলিসকী ও সী য়াওনা লৈমরাম য়াইফ লমজিং লূপ, হৈনৌবোক য়ং ষ্টার ক্লব, হৈনৌবোক লোয়ালাকপা য়ুথ ক্লব অমদি লৈমরাম ৱারোইচীং য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবকা হৌখিবা ওগষ্ট ১৪ দা য়ানবা অমা পুরক্তুনা নোংমদা ৱাটর টেঙ্কর ২০/২০ অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা ঈশিং পীবা হায়না য়ানখিবনি। অদুবু ঙসি ঈশিং লৌবা য়ারোই হায়না লৈমরাম ৱারোইচীংগী খুঞ্জাশিংনা থিংলকখ্রে। হীরমসিগী মতাংদা দি পি য়ু ভি ও, নম্বোলগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈমরাম ৱারোইচীংগী খুঞ্জাশিংনা ঈশিং থিংলিবমখৈ মফম অসিগী খুঞ্জাশিং নম্বোল এরিয়াদা চঙলকপদা ওগষ্ট ১৮ দগী অথিংবা থম্লগনি হায়না লেপ্পরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

NIELIT Imphal

रा.इ.सू.प्रौ.सं NIELIT
(An Autonomous Scientific Society of Ministry of Electronics and Information Technology (MEIT), Govt. of India)
Akampat, Post Box No. 104, Imphal – 795 001, Manipur
e-mail: imphall@nielit.gov.in

Due to COVID19 Pandemic, last of date of online submission and Spot Admission cum Counseling has been extended upto 31st August 2020

ADMISSION NOTICE – 2020-21 (Course fee Free for SC & ST Students)

Sl. No.	Name of Course	Intake	Eligibility
1.	2- year Master of Science in Information Technology (MSc.IT)	40	A candidate who has qualified any one of the following degree (i,ii) with at least 50% marks (45% for SC/ST) from a recognized University or any recognized university as equivalent thereto shall be admitted to the first year of M.Sc (IT) course : (i) Bachelor Degree in any discipline from a recognized University with Mathematics/ Computer Science/ Statistics as one of the subjects at 10+2 level or (ii) BCA or B.Sc in IT/Computer/Science/Physics/ Mathematics/Electronics Physics/or any relevant computer related recognized subject as one of the subject.
2.	3 - year Master in Computer Application (MCA)	30	Passed B.A./B.Sc/B.Com/B.E/ B.Tech with minimum 50% Marks in aggregate. Such a candidate should have offered and passed Mathematics in the 10+2 Exam. Or, 50% marks in the aggregate in BCA. No cut-off marks for SC/ST students.
3.	1 - year Post Graduate Diploma in Computer Application(PGDCA)	51	Passed three-year degree course in any discipline
4.	1 – year Post Graduate Diploma in Information & Cyber Security (PGDICS))	40	Passed three-year degree course in any discipline
5.	3 - year Bachelor of Computer Application (BCA)	170	Passed 10+2 (Science with Math or Computer Sc) Exam recognized by Manipur University offering the relevant subject (s).
6.	3 - year Diploma in Computer Science & Engineering (DCSE) - (AICTE Approved)	60	Passed (in single sitting without any grace mark) in the HSLC Examination (class-X) conducted by BOSEM or any other examination recognized by the Manipur University as equivalent and 15-22 years of age as on 1st of July.
7.	3 - year Diploma in Electronics and Communication (DECE) Engineering-(AICTE Approved)	60	2019. Upper age limit is relaxable by 3 years for SC/ST/PH candidates.
8.	1 – year NIELIT Multimedia & Animation Technology (MAT) -O Level	30	Passed 10+2 in any discipline.
9.	1 - year NIELIT (IT) -O Level (1-one year)	60	Passed 10+2 or ITI certificate (one year) after matric.
10.	NIELIT (IT) -O Level (6 months)	60	Passed Graduation
11.	1 – year NIELIT Computer Hardware Maintenance (CHM) - O Level	30	Passed 10+2 (any stream) or ITI (One year after 10 passed) in Electrical/Electronics/ Computers.

Last date of form submission : **31st August 2020**
Date of commencement of the course : **Likely to be started from 2nd week of September 2020.**
HOW TO APPLY : Application can be submitted online through https://nielit.gov.in/imphal/content/admission-new or, **http://14.139.207.251:8080** on payment of ₹200/- through e-transfer (NEFT or UPI) to A/C No: **10678276043** of State Bank of India, Manipur University Branch **(IFSC- SBIN0005320)** or, using the UPI QR Code (UPI ID: sbi.05320@sbi) given in the right side.
Application submission facility is also available at MCC NIELIT Imphal/Selected CSC of Manipur/Diana Computer Centre, Sagolband Tera, N.C. Road/NIELIT Extension centres at Senapati & Churachandpur on payment of **₹ 200/-**.
The eligible candidates will have to appear in an admission test through online/offline. Date, time and venue of Entrance test will be notified in the admit card. Admit Card can be downloaded from **http://nielit.gov.in/imphal/content/admission-new** or, **http://14.139.207.251:8080** later on.
Contact for Enquiry : **6009973231/7005854028** during office hour from 9:00 a.m to 5:30 p.m on all working days **(Mon-Sat).**

SBI Pay
Scan & Pay Using Any UPI App to
UPI ID: sbi.05320@sbi
MERCHANT NAME: NIELIT IMPHAL

HL-B/6315/17